

# অরুম্বা থাঙ্গৎপা শান্নরোয় অমা বলগেরিয়াদগী চেনখিবা

—লৈশাংথেম অজিৎ—



**কুমজা ১৯৮৬** তা মেলবোর্ন সহরদা অরুম্বা থাঙ্গৎপগী অথোয় অহেন তান্নবগী ৱার্ল্ড কপ কম্পিটিসন অমা পাঙথোকখিবদা বলগেরিয়াগী নেয়ম সুলেয়মানোভ কৌবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অনীরক ওইখ্রবা অমা কিলোগ্রাম ৬২ গী কাঙলুপ, ফিদর ৱেথতা শরুক য়াবা চৎখি। চেম্পিয়ন অদু লোইরবা মতুংদা বলগেরিয়াগী টিম অদু মেলর্বোনগী মনাক্তা লৈবা হাউথোর্ন কৌবা মফম অমদা লৈবা লিওন্দস হোটেলদা পাঙথোকপা পার্টি অমদা শরুক য়াখি। ময়াম অদুনা চাবা থকপা রোমদা মায় ওনশিল্লিঙৈদা নেয়ম সুলেয়মানোভনা মীয়াম তিল্লিবা হোল অদুদগী মপান থোরকখি অমদি নুমিৎ মরিনি মফম অমদা লোৎতুনা লৈখিদুনা মহাক্কী লৈফম অদু কনা অমত্তনা থিবা খঙদবগী পাউ অসি মালেমগী মফমশিংদা পাউচে অমদি রেদিও অমদি টেলিভিজন্দা শন্দোকখি। নুমিৎ মরিনিগী মতুংদা মহাক ওস্ট্রেলিয়াদা লৈবা টর্কিগী এম্বেসিগী ওফিসতা চৎতুনা চঙজফম লৌখি। মহাক লন্দন সহরদা পাইহনখি। মফম অদুদা মহাকপু টর্কিগী প্রাইম মিনিষ্টর টরসট ওজালগী মশাগী লনাই জেট প্লেন অমনা ঙাইদুনা লৈরমদুনা খুদক্তা টর্কিদা পুদুনা চৎখি। টর্কিগী অনকারাদা লৈবা এরোপ্লেন তাফম হেক য়ৌবগা মহাক্লা লৈবাক অদুগী লৈমাই অদুবু চুপ্পুনা খুরুমজখি অমদি মহাক্কী অনৌবা লৈবাক টর্কিগী 'হেরো' থৌনা ফবা মীংচৎ পুরকপা ঙম্বা নিপা অমা ওইখি।

নেয়ম সুলেয়মানোভ বলগেরিয়াদা পোকপা টর্ক মচানি, মুসলিমনি।



লৈবাক অসিদা খৃষ্টান চৎপশিংনা চাদা ৮০ হেন্না খুন্দাদুনা লৈ। মসিগী মথংনা চাদা ১২ দি মুসলিমনি। মতম অদুদা মীশিং হেন্না খুন্দাবা খৃষ্টানশিংনা মুসলিমশিংবু নমথনবা অরোনবা অমদি অফোংবা থৌরাং কয়ামরুম পায়খৎলি। মরম অদুনা য়ুমলোন্নবা লৈবাক টর্কিদা মনীং তম্না চৎথোক চৎশিন তৌহন্দে। বলগেরিয়া কম্যুনিষ্টর লৈঙাক্কী মখাদা শান্না খোৎনবদা য়াম্না থৱায় য়াওবা লৈবাকনি। লৈবাক অসিনা অরুম্বা থাঙ্গৎপদা মায় পাকপা মীওইশিংবু কা হেন্না ইকায় খুম্নে অমদি ফুট মঙাখক্তমক ৱাংবা নেয়ম সুলেয়মানোভ মশা য়াম্না ফবা মপাঙ্গল কনবা অঙাংনি খঙদুনা লৈবাক অসিগী শান্না খোৎনবগী অশিন অরাং তৌবশিংনা মহাকপু শেম্বী শাগৎপীদুনা মহাক্লা চহী ১৪ খক্তমক ঙাইরিঙৈদা অরুম্বা থাঙ্গৎপগী অথোই অহেন তান্নবদা সেনিয়ার নুপাগী মালেমগী রেকোর্দ ফিদর ৱেথতা থুগাইগদবা পাউন্দ মঙা মখায় খক্তমক ৱাৎখি। মহাক্লা চহী ১৫ চঙলকপা মতমদা মালেমগী অনৌবা রেকোর্দ অমা অরুম্বা থাঙ্গৎপদা থমদুনা মালেম পূম্বনা ঙক্লখি। মহাকপু কম্যুনিষ্ট লৈঙাক্লা য়ূম অমা পীবগা লোয়ননা থাগী তলব পীদুনা মপূক্লিং থৌগৎপীখি।

কুমজা ১৯৮৪ দা মহাক্লা মহাক্কী ত্রেনিং তৌফমদগী ময়ূমদা হায়বদি মহাক্কী পোক্লফম মোমচিলগ্রেদতা দিসেম্বর থাদা হল্লকপা মতমদা মফম অদুদা লৈবা টর্ক মচাশিংবু বলগেরিয়া লৈঙাক্লা তমথিনা ওৎতুনা নুংশি হৈতবা থৌরাং কয়া অমুক লৌখৎলম্বা থেংনখি। টর্ক কাঙলুপনা (মচাশিংনা) দিমোনসত্রেসন চৎপদা মখোয়বু তমথিনা নমথনবা বলগেরিয়া লৈঙাক্লা হোৎনরমখি।

লাইখুরুম্বগী মফম, মুসলিমগী লাইশঙশিং থিংজিল্লম্মী। মুসলিমগী চৎনবী মতুংইন্না হান্না ছুটি থারম্বা নুমিৎশিং অদুগী ছুটি ককথৎখি। অশিবা ফুম্বা আইন্না থিংখি । টর্কি মরোল ঙাঙনবা থিংখি। মসিগী মথক্তা টর্কিগী ওইবা মনাৎকী ফিজেৎ চাকচা শীজিন্নবা, শেৎ চাবা থিংলম্মী। মসিগী মায়োক্তা লৈবাকশিংবু জেলদা থম্বা কা হেনবশিংবু শিবগী দন্দি পীবগী থবকশিং লৌখৎলমখি।

কুমজা ১৯৮৫ দা নেয়ম সুলেয়মানোভ মেলবোর্ন্দা (ওস্ট্রেলিয়া) নুমিৎ ১০ নিগী ৱেথ লিফটিংগী ত্রেনিং অমা য়াওবা চৎলুবদা মফম অদুদা বলগেরিয়াদগী চেল্লক্তুনা চঙজফম লৌদুনা লৈবা টর্ক মুসলিমশিং অদুনা মহাকপু চঙজফম লৌদুনা ওস্ট্রেলিয়াদা লৈবা পাল্লবদি মখোয়না মতেং পাঙবিগে হায়বদা মহাক্লা য়াখিদে। মহাক্কী পাউখুমদি করিগুম্বা মহাক্কী মমিং অদু বলগেরিয়াগী মমিংদা ওনথোকউ হায়রবদি নখোয়না হায়রিবা অদু খন্নবা য়াই। মদু নত্তবদদি মহাক লৈবাক অমদা চঙজফম লৌবা পামদে।

তৌইগুম্বসুং মহাক্লা বলগেরিয়াদা হনখিবা মতমদা মহাক্কী পাসপোর্ট অদু লৈঙাক্লা লৌশিনখি অদুগা অনৌবা মমিং অমা হোংদোকপা পাসপোর্ট অমা পীরকখি। অনৌবা পাসপোর্টতা পীরকখিবা মমিং অদু বলগেরিয়াগী মমিংনি। 'নাউম সালামানোভ' হান্নগী মমিংনা 'নেয়ম সুলেয়মালোভ' নি। মহাক্কী অনৌবা মমিং লৈঙাক্লা থোনখিবা অসিগী মরমদা পাউচেশিংদা মহাক্কী মমিং বলগেরিয়াগী অশেংবা মীংদা ওস্থোক্লে হায়না শাশিন্নবা ইন্টরভিয়ু অমা পাউচেশিংদা হাপখি। মদুদা অচুম্বা ওইরবোই নীংদুনা টর্ক মচাশিংনা মহাকপু শাউখি। মরম অদুনা নেয়ম সুলেয়মালোভনা কুমজা ১৯৮৬ তা মেলবোর্ন্দা অথোয় অহেন তান্নবা চৎপা খোঙচৎতা মফম অদুদা লৈবা টর্কিগী এম্বেসিদা চঙজফম লৌদুনা টর্কি লৈবাক্তা লৈখিদুনা মসিগী সিটিজন ওইখিবা অসিনি।

ওলেম্পিক্কী চৎন-পথাপ মতুং ইন্না কনাগুম্বা শান্নরোয় অমনা অতোপ্পা লৈবাক অমদা হোংখিদুনা লৈবাক অদুগী মমিংদা মহুৎ শিন্দুনা ওলেম্পিক গেমস নৎত্রগা ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ানবগীদমক চহী অহুম ঙাইগদবনি। অদুবু মহাক্লা হান্না সিটিজন ওইরম্বা লৈবাক অদুনা অয়াবা পীরবদি চহী অহুম ঙাইদ্রবসু য়াই।

টর্কি লৈঙাক্লা বলগেরিয়া লৈঙাক্তা দোল্লর ১,০০০,০০০ (লাক্ষ তরা) পীরবা মতুংদা অয়াবা অদু পীখি অদুবু নেয়ম সুলেয়মানোভনা মীয়ামদা বুলগেরিয়াগী মায়োক্তা ৱা অমত্তা ঙাঙহল্লোয়দবনি হায়না য়ানখি।

চহী অদুগী জুলাই থাদা সিওলদা পাঙথোকখিবা কালেনগী ২৪ রক শুবা ওলেম্পিক গেমসতা মহাক্লা ফিদর ৱেথতা স্নেচতা কিলোগ্রাম ১৫২.৫, জর্কতা কিলোগ্রাম ১৯০ পূন্না কিলোগ্রাম ৩৪২.৫ থাঙ্গৎতুনা হীরম অহুমক অসিদা মালেমগী রেকোর্দ থুগাইখি। মহাক্লা সিওলদগী হল্লকপদা অনকারাগী এরোপ্লেন তাফমদা থুংলবা মতমদা মীওই মিল্লিয়ন অমরোম্না মহাকপু ওক্লম্মী।

মহাক্লা মেদিয়াগী খূৎথাংদা অসুম্না হায়খি মদুদি 'মসি ঐগী সনাগী মেদল নত্তে। মসি টর্কি মচাশিংগী মেদলনি'। মহাক্কী ৱারী অসি মালেম শিনবা থুংনা খঙনরক্লে। মহাক্কী পোক্লকপদগী কৌরক্লবা মমিং 'নেয়ম সুলেয়মানোভ' হায়বা মমিং অমদি বলগেরিয়া লৈঙাক্লা ওস্থোকখিবা মমিং 'নাউম সালামানোভ' হায়বা মমিংশিং অদুগী মহুত্তা টর্কিগী অশেংবা মমিং নেয়ম সুলেয়মানোগলু হায়না অমুক থোন্দুনা ওলেম্পিক্কী রেকোর্দ বুক্তা অকোনবগী মমিং অসি থম্মী।

মহাক্কী অসিগুম্বা খোঙথাং অসিদা বলগেরিয়াদা লৈবা চাউরাক্লা টর্কিগী হৌরকফম ওইবা মীওই ৯০০,০০০ (লাক্ষ মাপন) লোমগী মনুংদা শরুক অহুম থোকপগী অমদি টর্কিদা চৎখিবদা/হোংখিবদা অথিংবা থম্বা ঙমখিদে। ফুট মঙাখক্তমক ৱাংবা নিপা অসি বলগেরিয়াদা ইনখৎলকপা নিপামচা ওইরিঙৈদা নুপী মচাশিংনা অনেম্বা নুপানি হায়না নোক্লরম্বদগী হৌজিক্তি টর্কিদা নুপীমচা লিশীং লিশীংনা মহাক্কী মতুং ইন্নরি হায়না টর্কিগী পাউচেশিংনা য়াম্না থৱায় য়াওনা শন্দোক্লরি।

# ঙসি থাজবা মাঙখ্রবা লৈঙাক্কী ওইবা স্কুলশিং

—এম খেলেন সিংহ—

***ঙসি*** ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর অসিদা লৈরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা মথৌ তৌরিবা স্কুলশিং হায়বদি প্রাইমারি থাক্তগী হৌরগা হায় স্কুল ফাওবদা লৈরিবা স্কুলশিংগী মরায়বক অসি তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লৈরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়না খনজৈ। ঙসিদি এদ্যুকেসনগী ওইবা লম অসিদা অচৌবা শেন্থং কয়া থাদবিদুনা অমদি অচৌবা প্রোগ্রাম অমা ওইনা স্কুল অমা ওইবগী মথৌ তাবা পোৎলম খুদিংমক লোইনা লৈঙাক্কী স্কুল খুদিংমক্তা থম্বীদুনা অমদি শেন্বী শাবিদুনা করিগুম্বা মখল অমত্তগী অৱাৎপা লৈহনবিদ্রে। হৌজিক্তি মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা স্কুল পুম্নমকসু লোয়না এক্ট ওনখ্রে। হায়বদি (রাইট টু এদ্যুকেসন এক্ট) ২০১০, হায়রিবা এক্ট অসিগী মনুংদা লোয়না চলহনবীদুনা ঙসি ইরমদম অসিদা লৈরিবা অঙাং খুদিংমক হায়বদি নুপী অমসুং নুপা লোইনমক এক্ট অসিনা লোয়না কোনশিনবিদুনা অঙাংশিংদা হেন্না হেন্না খুদোংচাবা ফংহনবীরি। অসুক ফজনা ঙসি ঐখোয়গী লৈঙাক্লা শেমগৎ শাগৎতুনা থম্বীরিবা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা ইরমদম অসিদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংগী মমা-মপা ওইবিরিবা মীয়াম অসিনা লৈঙাক্কী স্কুলশিংবু নোংমা নোংমগী থাজবা মাঙশিল্লকপগা ইরোয়ননা লৈঙাক্কী ওইবা স্কুলশিংদা মচা মশুশিং অমতা লাইরিক তমহননীংদ্রিবা অসি করিগীনো? মসিদা মতৌ করম্না লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা থাজবা অসি করিগী মাঙখ্রিবনো? মসিগী হৌরকফম অসি কদাইদগীনো? অদুগা মসিগী চপ চাবা থৌদাং অসিনা কনানা লৌফম থোকপগে? অদুগা মসিদা মপূং ওইনা মাঙজগদৌরিবা অসিনা কনানো? মণিপুরগী লৈরিবা লৈঙাক্কী ওইগদৌরিব্রা? নৎত্রগনা মণিপুরদা লৈজরিবা মীচম মীয়ামগী ওইগদৌরিব্রা? মসিদি ঙসি ঙসিমক ঈরমদম অসিদা লৈবিরিবা মীচম মীয়াম পূন্না অমুক্তং তিল্লাং য়োৎথবিরগা খন্থবিয়ু হায়দুনা ঙসি ৱারেংজরিবা ঐহাক্লা মীয়ামদা নোল্লুক্লা থমজরি।

মসিদা ঙসিগী ইরমদম অসিগী লৈঙাক মপু ওইবিরিবশিংনসু মীৎয়েং থম্ফম থোকপরা হায়না খনজৈ। ঙসিদি এদ্যুকেসন সেক্তর অসিদা অচৌ অচৌবা শেন্থং কয়া থাদদুনা শেমগৎপীরবসু ঙসিগী হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয়শিং অমদি মহৈরোয়শিংগী মমা-মপা ওইবশিংনা লৈঙাক্কী স্কুলশিংবু থাজবা লৈশিল্লক্ত্রে। লোয়ননা মচা-মশুশিংসু অমত্তা স্কুলসিদা লাইরিক তমহন্নীংবগী ৱাখল ফাওনদ্রে। মসিদা ইরমদম অসিগী মীচম মীয়াম্না মাঙখ্রবা থাজবসি ঙসি লৈঙাক্কী অচৌবা থৌদাং পুরিবশিংনা মীচম মীয়ামগী থাজবসি অমুক হনজিনহনবা অসি তমগদৌরিবরা? নৎত্রগনা মতম চুপ্পগী ওইনা অসুম মীচম মীয়ামগী থাজবসি মাঙহনবীগদৌরিব্রা? মসিদি ঐখোয়গী অহল-লমনশিংগী পাউরৌদা অসুম্না তাকপীরম্মী মদুদি 'চান্নবা মরুপ অমনা ঐগী ফত্তবা থবক অমা ইথা থাজদনা ঐঙোন্দা তৌখিবদা মতুং তাবদা ঐনা ঐগী মরুপ অদুদা থল্লম্বা থাজবদো অসুম অসুম মাঙখিদুনা মতুং তারকপদসু অসুম থাজবা মাঙখি।' অসুম্না মীচম মীয়াম্না থাজবা মাঙখ্রবা লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা স্কুলশিংবু অমুক হন্না মীচম মীয়ামদা থাজবা অমুক লৈহল্লক্লবা করি করম্বা থবক থৌরাং লৌখৎলগা ওইথোকপা য়াগদগে হায়বা ঙসিগী ঐখোয়গী ইরমদম অসিগী লৈঙাকলোইশিংনা অচৌবা থৌদাং অমা লৌবিদুনা তুংওইনা চৎনবা য়াবা পোলিসি প্রোগ্রাম অমা শেন্বীফম থোকই হায়না খনজৈ। মসিদা থোইদোক্লা লমসিদা হায়বদি এদ্যুকেসনগী ওইবা হীরম অসিদা খরা হেন্না খঙ হৈরবা (এক্সপার্ট) মীওইশিং কয়া য়াওহনবীদুনা অমদি ইন্টিলেকচুএলগী মায়কৈদগীসু মীহুৎ খরা য়াওবা (এক্সপার্ট কম্মিটি) অমা শেন্বীদুনা মতৌ করম্না ঙসি ইরমদম অসিদা লৈরিবা লৈঙাক্কী স্কুলশিং অসি অমুক্তং মপূং ফানা অমদি মহয় য়ানবা স্কুলশিং ওইহন্নবা হোৎনবদা য়াম্না চাউবা থৌদাং লৌহঞ্জনীংই।

মতাং অসিদা ৱারেংজরিবা ঐ ইশাগী ওইবা মত অমতং ঙসি মীয়ামদা নোল্লুক্লা থমজরি। মসিদি ঐ ইশাগী ওইবা মত অমনি মসিমক্লা ওইথোকপা য়াবা নৎত্রগা য়াদবা হায়বসিদি মীয়াম্না অমদি ঙসিগী লৈঙাক্লোই ওইবিরিবশিংনা কূপ্না খন্ন-নৈনবিরগা লেপ্পীগদবনি। খুদম ওইনা থমজরবদা ঐখোয়গী ইরমদম অসিদা লৈরিবা মীকোক অসি চাউরাক্লা মীকোক লাক্ষ ২৫ রোমনি। মসিদা অমুক ঐখোয়না কেন্দ্র ৬০ থোক্লা খায়দোক্লি। অদুগা অমুকসু কেন্দ্রশিং অসিসু খুঙ্গংগী লম ওইবশিং (রুরেল এরিয়া) গ্রাম পঞ্চায়েটনা কোনবা লম ওইরি অদুগা সহরগী লম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা কোনবা লম (অর্বান এরিয়া) অসুম্না চীংদা লৈরিবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিং হিল এরিয়া কম্মিটিনা কোনবা অসুম্না লৈরিবা মীকোক (পোপ্যুলেসন) অসিগী মতুং ইন্না মীকোক লিশীং ০৫/০৫ না কোনবা মফম অমমমদা ঙসিগী লৈঙাক্লা নবোদিয়া নৎত্রগা কেন্দ্র বিদ্যালয়াগুম্বা স্কুল হায়বদি হায়রিবা স্কুলশিং অসিদা পীরিবা খুদোংচাবশিং অসিগা চপ মান্ননা পীবা ঙম্বা স্কুল অমমমদং মাগী কেন্দ্র কেন্দ্রদা লৈরিবা মীকোক লিশীং ০৫/০৫ গী চাংদা (রেসিও) থম্বীবা ঙম্বা তারগদি শুংশোয় শোয়দনা ঙসি ঐখোয়গী লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা স্কুলশিংদা মীয়াম্না মাঙখ্রিবা থাজবা অসি অমুক্তং হঞ্জিনহনবা ঙমগদ্রা হায়বদো চাংয়েং ওইনা য়েংনীংবগী অপাম্বা অদো ঙসি ৱারেংজরিবা ঐহাক্কী মত ওইনা মীয়ামদা অমদি ঙসিগী ইকায় খুম্নজরিবা লৈঙাকলোইশিংদা নোল্লুক্লা থমজবনি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## তাইবঙগীসু লাইরমলেনগীসু

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর*

***চেকশিল্লগা*** চেক্কী য়ূম শাই। ফাদোক্লগা ফরা শাই। মসিমক ফত্তে করম হায়গনি? তাইবঙ মীগী মৱা পু-থাং ঙমদবা হায়নীং-হায়নীংবা, ঙাঙনীং-ঙাঙনীংবা ঙাঙবা তাইবঙ মীওইবগী চিন লাই ফাওবনা থাজবা ৱাৎলিবনি। মীনা শিবনা চিন্দা, শানা শিবনা খোঙ্গুলদা মসিমক চুমদুনা লৈহৌরগদবনি।

অমাং অতোং মুন্না খল্লগা ঙাঙবা শকপা অসিদগী হেন্না অতৈ অমবু লৈতবনি। অরিকপা ওইগেরা, লিক্তবা ওইগেরা নোংমদি শোয়দনমক পামদা-পামদনা তাইবঙগী লিলা য়াওবা ঙমদনা লাইরমলেন্দা চৎকদৌরিবনি।

লাইরমলেন্দদি তাইবঙদা ঐহাক ফনা ফজনা পৈশা নুংশা পায়রকপা ইনাই-ইশন মতিক চানা লৈরকপনি হায়না চাউথোক্লুবা য়াবা নত্তে। তাইবঙদা চাউনবগী ৱানি, লাইরমলেন্দদি চপ মান্নবা মীৎয়েংদা শোয়দনমক্কী লৈদৌরিবনি। তাইবঙদা মানা মানা তৌরকপা থবক অদুগী ফলদুমক হাইজ-খোৎচা য়াদবদা করিনুংগী ঐনা তাইবঙদা তৌজরুবা খন্দনিঙাই লৈরোই। শিরগা লোইরবা তাইবঙপানবসিদা খঙনা খঙনা, উনা উনা চৎনরিবা লম্বী কয়া অপাম-অপাম্বদা চৎনবা ওইরবসু চৎলুরিবা লম্বীদুগী ফীভম শোয়দনা খঙগদৌরিবনি।

পূম্নমক হৌখ্রবা মতুংদা করিনুংগীনো খনগদবগী শরুক অমুক হেন্না মচু তানা তুংকোয়নবা শিল্লম্লবদি নুঙাইগনিদা খনবা মসিসু থোইদোক হেন্দোক্লা অফবা ওইবগী খুদমনি হায়বদা লান্দবা ওইদৌরিবনি। মতোল লোম্না উ কারগা থুনা কুমথনবগী হাথু হাথু কুমথরক্লবা হোৎনবা য়াবা নত্তে। হেক চেকশিন্দবদা নমদনা লৈবাক্তা নাতৈ চাদনা তাদৌরিবনি।

মতাং মতম অনীসি শীজিন্নফম খঙনা হেক শীজিন্নদবদা অশোয়বা হায়বদু থোক্কদৌরিবনি। অপঙবা মীসু মীৱা তাদে হায়বা য়ারোই । অশিংবা মীসু মীৱাদি অদুমক মতাবনি। তৌবতবু অমনা পঙনা তাবনি। অমনা শিংনা তাবনি। তাইবঙসিদা তঙাইমক ফদনা হিংবা তারবদা মীৱা ঙাঙনদুনা মতম লেনগদবগী শরুক থবক শু নোম্বনা খ্বাইদগী ফরবনি। মসিমক খনবদা কনা অমত্তনা ফত্তে হায়রোই।

অপঙবা মীগা মরুপ ওইগদবগী শরুক অশিংবা মীগা য়েক্লবগা ওইবনা ফৈ হায়বা পাউরৌ লৈরিবনি। চৎনবীগী ৱাংমদা থৌনা লৈনা থবক অমা তৌগে খনবদা মদুমক তৌদনবা হোৎনগদবনি। শাগৈ-নাতৈ ইপা-ইপু চেন্থগদবগী শরুকপুদি ওইজগদবা ময়াম অমা লৈদুনসু মদুগী মফমদুদা লেপ্পা ফাওবা লেপ্তুনবা হোৎনবনা অফবা হায়বদু শোয়দনা ওইদৌরিবনি।

লৈতে-নুংদে হায়ফদে, চরৈ শেনগাও নুংদগী শেল লাম্থোরকউ, মসিবু মতম অমদা তৌনরমই হায়দুনা হৌজিক্কী মীরোলসিদা তৌবা য়ারিব্রা? ৱাথোক লাম্থোক্লা লাঙ্গোই চল্লবা ঙসিগী মীরোলসিদা লম্বী সরক্তা হাইরং-তুরং চৎলুবা য়াবা নত্তে। খুদক-খুদক্তা পন্থবা তৌদনা দন্দি ফংলগদবা মতমসিদা ফিজং খন্দুনা নারোৎলুবা য়াগদবা ওইদ্রবনি। মী মচানা ৱা চাউনা ঙাঙবা কনাসু থাজগদবা লৈত্রবনি।

ইশাগী ফিরেপ্তুগী মতুং ইন্না ঙাঙবা শকপসিনা কনানসু করিসু হায়ররোইদবনি। মথেল ময়ামসিগী মনুংদা হিংদবা য়াদনা হিংগে নিংলবা মচোংপাক নাইদবা থবক্তদি তৌরুরনু। লমহেন তুহেনবা লৈকোয়না, খুলনা মশক মুন্না খঙলবা মীওই লাই ফাওবনা নুংশিররোইদবনি। মীনুংশি লৈগেরা লৈরোইরা, লিককেরা লিকলোইরা, তৌনীংবা অমা হেক্তা তৌবদা কনানসু করিসু হায়রক্লরোই।

লৈবাক্কী ওইবা, ইজাতিগী ওইবা লম্বী অনীসিগী মফমদদি লোইরং-শিংখোং ওইনা লৈগে হায়রবদি খল্লরোইদবনি। ঙসিগী হিংদবা য়াদনা হিংলিবা মীওই মপোকসিদা হিংবা হৈতনা হিংলবা অৱাবনা লাঙ্গোই চন্দৌরিবনি। হিংনবা ঙম্নবা হোৎনবদা ঙম্না ঙম্নবা হোৎনবা হিংদবা য়াদবগী তশেং তশেংলবা মথেল অমনি। তৌবতবু হিংলিঙৈগী মনুংদা মীওই অমা ওইনা পোক্লগা তৌহৈদবা থবক থৌরমদি কৈদৌনুংদা তৌগে খল্লরোইদবনি।

নহাক নশানা লিকচরিবদু কনাগীসু দোষ পুগদবা লৈতে। লিকপগীদমক দন্দি ফংগদবা লৈতে। চৎনবী ঙাক্লবা হোৎনবদা পৈশাগী মগুন য়াওরক্তবনা পৈশা থাবগী হৈনবী চৎনবী অমা ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলক্লিবা মসিগী পরমসিদদি অরিকপা মহাক্তি শোয়দনা য়াওরোইদৌরিবনি। লাকফমদি লৈতনা অরৈবা শাবা শম্নাদা হিংদৌরিবনি।

***অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা***
***খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল***